**Shikshan Sanshodhan : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences** ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal Impact Factor: 7.384
Volume - 8, Issue - 5, May - 2025

DOIs:10.2018/SS/202505004 --:-- Research Paper / Article / Review

# মৈতৈ লাই-তীনগী ৱারীদা মিৎয়েং অমা

**Dr. Saikhom Robindro Singh**
Assistant Professor, Department of Manipuri, Janata College, Kabuganj
Cachar, Assam, India
Email: robin.saikhom@gmail.com

**বিমূর্ত:** লাই-তীনগী ৱারী হায়বসি ত্রেদিশনদা হিংদুনা লৈবা ৱারীশিংনি। মসি মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চীনবুংদা মথং-মথং ৱাহৈ ওইনা থংথরকপনি। লাই-তীনগী ৱারীশিং অসি ফোক-নেরেতিবসকী মরু ওইবা মশা অমনি। মসি অইবা (written) ওইনা লৈতে। লাই-তীনগী ৱারীশিং অসি 'লৈশেম-নোংশেমগা মরী লৈনবা ৱারী' নৎত্রগা 'ধর্মগা মরী লৈনবা ৱারী' নৎত্রগা 'লাইরেম্বা-লাইরেম্বীশিংগা মরী লৈনবা ৱারী'নি। লাই-তীনগী ৱারীশিং অসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদা থোকখিবা, অয়াম্বনা মালেম নত্তবা অতোপ্পা স্বর্গনচিংবদা থোকখিবা ৱারীশিংনি। লাইরেম্বা-লাইরেম্বী, লাই-ওই মীওই তৌবশিংনা মরু ওইবা চরিত্রশিং ওই। অচুম্বা, অশেংবনি থাজনবা ৱারীশিংনি। অসিগুম্বা লাই-তীনগী ৱারীশিং অসি মালেমদা খুন্দা-লৈতারিবা জাতি খূদিংমক্কী লৈ। জাতি খূদিংমক্কী মশা-মশাগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা লাই-তীনগী ৱারীশিং য়েলহৌঙৈদগী হৌনা ঙসিফাওবা লীনদুনা লাক্লি। অদুগা অমগা অমগা মান্নদবা তোপ-তোপ্পা লাই-তীনগী ৱারী কয়াসু থেংনরি। মৈতৈ লাই-তীনগী ৱারীশিংসু অদুমঙাই। ময়ামগা মান্নদবা-খেন্নবশিং উবা ফংলি। মরমসিনা জাতি-জাতিগী ওইবা লাই-তীনগী ৱারী মখলসি অমগা অমগা মান্নদে। মৈতৈ লাই-তীনগী ৱারী মখলদা লৈশেমলোনগী ৱারীশিং, লাইশিং অমসুং অতোপ-অতোপ্পা লাইওইবা মীশিংগী ৱারীশিং, নুমিৎ-থা-থৱানমিচাকশিংগা মরী লৈনবা ৱারীশিং অসি থেংনরি।

**কি-ৱার্দস :** অলান্দ দন্দিজ, ৱিলিয়ম আর. বেসকম, পি. গোশ্বামি।

ইংরাজীগী 'মিথ' হায়বা ৱাহৈ অসিগা মণিপুরীগী ৱাহৈ 'লাই-তীনগী ৱারী' হায়বসিগা মান্ননা লৌনদুনা অয়াম্বা মণিপুরী ফোকলোরিষ্টশিংনা শীজিন্নরি। তশেংনমক 'মিথ' হায়রিবা ইংরাজীগী ৱাহৈ অসিগী চপ-চাবা ৱাহন্থোক মণিপুরীদা লৈতে। অদুবু মণিপুরীদা 'মিথ' হায়বা অসিগা 'লাই-তীনগী ৱারী' নৎত্রগা 'লৈশেম নোংশেমগা মরী লৈনবা ৱারী' নৎত্রগা 'ধর্মগা মরী লৈনবা ৱারী'নি হায়না খঙনদুনা অখঙ-অহৈ খরনসু শীজিন্নদবা নত্তে। মখল অসিগী ৱারী অসি চৎনবী ওইনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চীনথাংদা লীনদুনা লাক্লিবা অমনি। মসিগী ৱারী অসি চৎনবী ওইনা মীওই কাঙলুপ অমগী মনুংদা লীনবা, নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদা থোকখিবা, অচুম্বনি হায়না থাজনবা অমদি ধর্মগা মরীলৈনবা, লাই নৎত্রগা লাইরেম্বী নৎত্রগা লাই-ওই মীওই তৌবা নৎত্রগা সংস্কৃতি পুরুষনচিংবগী মরমদা লীনবনি হায়না লৌনৈ। মালেম অসিদা লৈরিবা ফোকলোরিষ্টশিংনা তোঙান-তোঙানবা সংজ্ঞা কয়ামরুম পীরি। 'লাই-তীনগী ৱারী (মিথ)' হায়বসি লাই-তীনশিং, লাই-ওই

মীওই তৌবশিং নৎত্রগা সংস্কৃতি মহাপুরুষশিংগী মরমদা লীনবা ৱারীনি হায়না লৌনৈ। ৱাফম অসিবু শৌগৎলদুনা কেন্নেথ দব্লিউ. ক্লার্ক (Kenneth W. Clarke) অমসুং মেরী দব্লিউ. ক্লার্ক (Mary W. Clarke)না অসুম্না মোত পীরি :

A myth is a narrative dealing with gods, demigods or cultural heroes.[১]

লাই-তীনগী ৱারী (মিথ) হায়বসি মালেম অমসুং তাইবঙ মীওইবা অসিনা মতৌ করম্না মখোয়না ঙসিগী ওইরিবা মওং অসি ওইরকখিবগে হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকপা অশেংবা ধর্মগা মরী লৈনবা ৱারীনি। ৱাফম অসিবু শৌগৎলদুনা অলান দন্দিজ (Alan Dundes)না অসুম্না হায় :

A myth is a sacred narrative explaining how the world and man came to be in their present form.[২]

মথক্তা পীখ্রিবা মিথকী সংজ্ঞা অসিদা নত্তনা ঈরাৎ-পূজাগী থৌরম পরেংশিংগী মরমদা শন্দোক্লা তাক্লিবা অমদি লাই-তীনশিংগা মরী লৈনবা ৱারীশিং অদুবু লাই-তীনগী ৱারীশিংনি (মিথস) হায়না মহৌশানা কৌনৈ। ৱাফম অসিগী মতাংদা পি. গোশ্বামি (P. Goswami)না অসুম্না হায় :

Tales which explain rituals and relate of gods and spirits are usually called myths.[৩]

অতোপ্পা অমনা লাই-তীনগী ৱারীশিং অসি সমাজ অমগী মনুংদা লীনবা, নীংশিংবা থোক্লুবা মতমদা থোকখিবা, অচুম্বা থৌদোকশিংনি হায়না লৌনবা, ৱারেংগী ওইবা ৱারীশিং অদুনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা ৱিলিয়ম আর. বেসকম (William R. Bascom)না অসুম্না মোত পীরি :

Myths are prose narratives which, in the society in which they are told, are considered to be truthful accounts of what happened in the remote past.[৪]

লাই-তীনগী ৱারী (মিথ) হায়না লৌনরিবা ৱারী মখল অসি ঙসিগী মালেম অসি নত্তবা অতোপ্পা সংসার অমদা অয়াম্বনা থোকই হায়না থাজনৈ। মখল অসিগী ৱারীদা লাইওইরবা মীশিং নৎত্রগা
লাই-ওই মীওই তৌবা মীশিংগী মরমদা নৈনৈ। মসিদসু নত্তনা ৱারীশিংসিগী মপুং ওইবদি হৌজিক লৈরিবা মালেম অমদি মীওইবা জাতি অসি করম্না শেমখি ওইখ্রিবনো হায়বদুগা মরী লৈনৈ। মখল অসিগী ৱারীশিংদা সমাজগী নৎত্রগা খ্বাই পুন্নমক্কী দরকার ওইবা পোৎশকশিংগী মরমদা নৈনৈ। অসিগুম্বা পোৎশকশিং অসিবু লাই নৎত্রগা লাইরেম্বী নৎত্রগা লাই-ওই মীওই তৌবশিংনা শেম্বনি হায়না থাজনৈ। লাই-তীনগী ৱারীশিং অসি মীওই কাঙলুপ অমগী মনুংদা চৎনরিবা ধর্মগী মায়কৈদা থাজনরিবশিং অদুগা তৎনা থানবা য়াদ্রবা মরী লৈনদবা নত্তে। অদুবু ৱারীশিং অসি ইতিহাসতা থোকখিবা মহাপুরুষনি হায়না লৌনবা অদুগুম্বা মীওইশিংগী ৱারী ওইবা য়াই নৎত্রগা মীনা শা- উচেকনচিংবা ওনখিবগী ৱারী ওইবসু য়াই। অদুমওইনমক মখোয়শিং অদুনা ধর্মগী কান্নবা মরুওইবা অদুদি পীগদবনি। শুপচিন্না হায়রবদা ‘লাই-তীনগী ৱারী (মিথ)’ হায়বসি মীওই কাঙলুপ অমগী ধর্মগা মরী লৈনবা, লাই-তীন, লাই-ওই মীওই তৌবা নৎত্রগা খুন্নাইদুগী সংস্কৃতি

পুরুষনচিংবগী ৱারীশিংগী মরমদা চৎনবী ওইনা লীনরিবা অমদি নীংশিংবা থোক্লবা মতমদা অশেংবা থোকখিবনি অমসুং অচুম্বনি হায়না থাজনরিবা চীনবুংদা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মথং মথং লীনদুনা লাক্লিবা ৱারীশিং অদুবুনি।

## লাই-তীনগী ৱারীগী কায়াৎ :

লাই-তীনগী ৱারী (মিথ)কী মশক তাকচনবগীদমক্তা মশাগী ওইবা মশাজৎ কয়ামরুম লৈরি। মখল অসিগী ৱারীগী মরুওইবা করেক্তর অদু লাই-তীন নৎত্রগা লাই-ওই মীওই তৌবা হায়বদি থোইদোক হেন্দোক্লা শক্তী লৈরবশিংনা ওই। ৱারীশিং অসি নীংশিংবা থোক্লবা মতমদা থোকখিবা অচুম্বা ৱারীনি হায়না অয়াম্বনা লৌনৈ। মখোয়শিং অসি ঙসিগী মালেম অসি নত্তবা অতোপ্পা সংসার অমদা থোকপা অচুম্বনি হায়না থাজনবা অয়াম্বা ৱারীশিংনি। মখোয়শিং অসি মীওই কাঙলুপ অদুগী ধর্মগা মরী লৈনগনি। মখোয়শিং অসি মালেম শেমলকপা, তাইবঙ মীওইবা শেমলকপা, মালেম অসিগী পোৎলমশিং পুথোক্লকপা অমদি সংস্কৃতিগী মশক কয়া ওইহল্লকপগী ৱারীশিং অয়াম্বনা ওই। লাই-তীনগী ৱারীশিং লীবগী অকক্লবা মতম লৈতে। অদুম্বদি ওইরবদা মখোয়শিং অসি চৎনবী অমা ওইনা অশেংবা অচুম্বনি হায়বগী থাজনবী অমা মতম লৈবখিবীক্তা লৈগদবনি। মসিগী মতাংদা ৱিলিয়ম আর. বেসকমনা অসুম্না পীরি :

| | | |
|---|---|---|
| 1 | Formal features | Prose Narrative |
| 2 | Conventional opening | None |
| 3 | Told after dark | No restrictions |
| 4 | Belief | Fact |
| 5 | Setting | Some time and some place |
| 5a | Time | Remote past |
| 5b | Place | Earlier or other world |
| 6 | Attitude | Sacred |
| 7 | Principal character | Non-human |
| | Form of prose narrative | Myth |

৫

লাই-তীনগী ৱারী (মিথ)দা য়াওরিবা মরুওইবা করেক্তর অদু লাইনি হায়না হেক থাজরিবা মখৈ ৱারী অদু লাই-তীনগী ৱারী ওইদুনা লৈগনি। অদুগা করিগুম্বা ৱারী অদুদা য়াওরিবা মরুওইবা করেক্তর অদু লাই ওইবগী মহুত্তা মী ওইরবা, শন্দোক্লা তাকপা নৎত্রগা ৱারী অদুদা অকক্লবা মফম তাক্লবদি মদুবু লেজন্দ ওইগনি। অমুকসু মদু নত্তদুনা অকক্লবা মফম খঙহন্দ্রবদি ৱারী অদু ফুঙ্গাৱারী ওইগনি।

লাই-তীনগী ৱারী (মিথ)শিং অসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতম হায়বদি ঙসিগী মালেম অসি নত্তবা অতোপ্পা সংসার অমদা থোকখিবনি হায়না থাজনবা অচুম্বা ৱারীশিং অদুনি। ৱারীশিং অসিদা তাইবঙ মী শেমখিবা, মালেম শেমখিবা, শা-ঙা-উচেক্কী মশাজৎ, লাই-লাইরেম্বীশিংনা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং, লাইশিংগী মরক্তা নুংশিনবা, লান শোক্নবা, লানদা মায় পাকপা অমসুং মায়থিবা, সংস্কৃতি পুরুষ, মহৌশাগী খোঙচৎ অসিনচিংবশিং অসি য়াওই।

## লাই-তীনগী ৱারীগী মখল :

মালেমসিদা লৈরিবা জাতি খুদিংমক্কী মশাগী ওইবা লাই-তীনগী ৱারী (মিথ) লৈ। লাই-তীনগী ৱারীশিং মখল খায়দোকপগী মতাংদদি মালেমসিদা লৈরিবা লম লমগী সংস্কৃতি খেন্নবগী মতুংইন্না মখল খায়দোকপগী মতাংদসু খেন্নবা কয়ামরুম লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা লম লমশিং অদুদা ফঙলিবা লাই-তীনগী ৱারীশিংগী মচাকশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মখল খায়দোক্লে। মখল অসিগী ৱারীশিংগী মখল খায়দোকপা মতমদা ৱারীশিংদা ফঙলিবা হীরমশিং অদু য়েংলগা অয়াম্বনা নৈনবদা খুদোংচানবগীদমক্তা মখলশিং খায়দোক্লে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু লাই-তীনগী ৱারী (মিথ)গী অকক্নবা মখল মালেমসিদা ঙসিফাওবা লৈত্রি হায়বা য়াই। মরম অসিদগী অখঙ-অহৈশিংনা লাই-তীনগী ৱারীশিংগী খেন্ন-খেন্নবা মখল খায়দোক্নবা থেংনদবা নত্তে।

লমদমসিদা মৈতৈ জাতিগী লাই-তীনগী ৱারী (মিথ)শিংগী মচাক মরাং কায়না ফঙলি। মসিগুম্বা মরাং কায়না ফঙলিবা মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিংগী মনুংদা লৈশেমলোন, মীশেমলোন, থা তরানিথোইগী মমিং থোনখিবা, চয়োল তরেৎকী মমিং থোনখিবনচিংবগী ৱারীশিং কয়া লৈরি। অসিদসু নত্তনা মখল অসিগী ৱারীশিং অসিদা মৈতৈ জাতিনা য়েলহৌমৈদগী হৌনা লাই, লাইরেম্বীনি হায়না থাজনদুনা লৈরক্লিবা মখল মথেল কয়াগী লাই অমসুং লাইরেম্বীশিংগী চীনবুং ৱারী কয়া মরাং কায়না ফঙলি। অসিগুম্বা মখলগী ৱারীশিংগী মনুংদা পনবা য়াবদি– সনামহী, পাখংবা, কৌব্রু, থাংজিং, ৱাংব্রেন, মার্জিং, পান্থোইবী, ফৌওইবী, ইমোইনুনচিংবগী ৱারীশিং লৈরি। ৱারীশিং অসিদা মখোয় মখোয়না পাঙথোকখিবা থবক থৌরম কয়াশিং, মখোয়গী মরক্তা অমগা অমগা য়েংথীনবা অমদি লানথেংনবা, মখোয়গী মরক্তা লৈবা নুংশি-মরী অসিনচিংবশিংগী থৌদোক ৱারী পরীং কয়া য়াওবা মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিং ফঙলি। মসিগী মথক্তা জাতি অসিনা চৎনবী ওইনা মহৌশাদগী চীনবুংদা লীনবা নুমিৎ, থা, থৱানমিচাকনচিংবশিংগী ৱারী কয়াসু ফঙদবা নত্তে। মসিগুম্বা মরাং কায়না ফঙলিবা লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিগী তোঙান-তোঙানবা হীরমশিং অসি কুপ্পা য়েংলগা মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিগী মখল অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই। মখোয়শিং অদুদি :- (i) লৈশেমলোনগী ৱারীশিং (Myths of origin), (ii) লাইশিং অমসুং অতোপ অতোপ্পা লাই ওইবা মীশিংগী ৱারীশিং (Myths of gods and of other divine beings) অমসুং (iii) নুমিৎ, থা, থৱানমিচাকনচিংবশিংগা মরী লৈনবা ৱারীশিং (Myths associated with celestial bodies) অসিনি।

**লৈশেমলোনগী ৱারীশিং** হায়রগা ইংরাজীগী 'myths of origin' হায়বসিগা মান্ননা লৌবা য়াই। মখল অসিগী লাই-তীনগী ৱারীশিংগী মনুংদা মালেম শেল্লকপা, তাইবঙ মীওইবা শেল্লকপা অসিনচিংবশিং অসি য়াওই। অমরোমদা, মসিবু

ইংরাজীদা ‘myths of cosmogomy’ নৎত্রগা ‘myths of creation’ হায়রিবসিগা মান্ননা লৌদুনা শীজিন্নরি । অদুবু ফোকলোরিষ্টশিংনদি ‘myths of creation’ হায়বগী মহুৎতা ‘myths of cosmogomy’ হায়বসিনা হেন্না চুনবা ৱাহৈনি হায়না শীজিন্নরি । মখল অসিগী ৱারীশিংগী মনুংদা মৈতৈগী লৈশেমলোন, মীশেমলোন, য়োং, মীতম-ঙানচিংবশিং শেম্লকপগী ৱারীশিং অসি য়াওই। মখা তানা খুদম খরদং পল্লবদা, মালেম শেমখিবা, তাইবঙ মী শেমখিবা, থা তরানিথোইগী মমিং থোনখিবা, চয়োল তরেৎকী মমিং থোনখিবা, মালেমদা তাইবঙপানবা শেমখিবা অসিনচিংবশিং অসি মখল অসিগী লাই-তীনগী ৱারীশিং ঙাক্তনি। মসিদসু নত্তনা মালেমসিদা লৈরমদবা পোৎ অমা ইনৌ-নৌনা পুথোক্লকলবা অমদি মদুগী ৱারী অদু মখল অসিগী ৱারীগী মনুংদা অয়াম্বনা থম্নরি।

**লাইশিং অমসুং অতোপ-অতোপ্পা লাইওইবা, মীশিংগী ৱারীশিং** অসিবু ইংরাজীগী ‘myths of gods and of other divine beings’ হায়বসিগা মান্ননা শীজিন্নরি। অসিগুম্বা লাই-তীনগী ৱারীশিংগী মনুংদা মৈতৈগী য়েলহৌঙৈদগী হৌনা লৈরক্লিবা তোঙান-তোঙানবা লাই, লাইরেম্বীশিং অমসুং লাইওইবশিংগী ৱারীশিং অদু থম্নে। মখল অসিগী ৱারীশিংগী মনুংদা লাই-লাইরেম্বীশিংগী মরক্তা লৈনবা নুংশি ৱারী, খৎনবা, য়েংথীনবা, লাম্হেংনবা, মতৌ করম্না লাই অমদি লাইরেম্বীশিং পূজা তৌখিবা অমসুং মখোয়শিং অদুনা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমনচিংবশিং অদু য়াওবা অমসুং ফোঙদোকপা লাই-তীনগী ৱারীশিং পুম্নমক মখল অসিগী মনুংদা থম্নরি। মসিগীসু মথক্তা লাই-লাইরেম্বীশিংগী পুন্সি ৱারীশিংসু মখল অসিদা য়াওহল্লি। খুদম খরদং পল্লবদা সনামহী, ইমা লৈমরেল শিদবী, পাখংবা, ইমোইনু অহোংবী, পান্থোইবী, ফৌওইবী, হিয়াংথাং লাইরেম্বী, অয়াং লৈমা, কৌব্রু, থাংজিং, ৱাংব্রেন, মার্জিং অসিনচিংবশিং অসিনি।

**নুমিৎ, থা, থৱানমিচাকশিংগা মরী লৈনবা ৱারীশিং** হায়রিবা মৈতৈগী লাই-তীনগী ৱারীশিং অসিগা ইংরাজীগী ‘myths associated with celestial bodies’ হায়বসিগা মান্ননা শীজিন্নরি। মখল অসিগী লাই-তীনগী ৱারীদা য়াওরিবা ৱারীশিংদি নুমিৎ, থা, থৱানমিচাক অমসুং সর্গগী ওইবা লাইগী ৱারীশিং অদুনি। মখল অসিগী ৱারীশিং অসি য়াম্না মরাং কায়না লমদম অসিদা ফঙলি। খুদম ওইনা খরদং পল্লবা নুমিৎ, থা, থৱানমিচাককা মরী লৈনবা ৱারীশিংদি– নুমিৎ কাপ্পা, নুমিৎকী ৱারী, থাগী ৱারী, থৱানমিচাকশিংগী ৱারী অসিনচিংবশিং অসিনি।

## মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং :


১. Kenneth W. Clarke and Mary W. Clarke, *Introducing Folklore*, New York, Holt, Rinehart and Winston, 1966, p.26.

২. Alan Dundes (ed.), *Sacred Narratives : Reading in the Theory of Myth*, Berkeley, University of California Press, 1984, p.1.

৩. P. Goswami, *Folk Literature of Assam : An Introductory Survery*, Gauhati, Deptt. of Historical and Antiquarian Studies in Assam, 1965, p.91.

৪. William R. Bascom, *Contributions to Folkloristics*, Meerut, Archana Publications, 1981, p.98.

৫. William R. Bascom. *op.cit.* p.101.